থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

আশা মাঙলবশিংগী অনৌবা আশা

কোরোনাভাইরস এটেক'না সিনেমা, থিয়েটর অমসুং পর্ফোর্মিং আর্ট এক্টিভিটিদা পীবা ইমপেক্ট - অখন্ননা নৈনরুদ্রবসু, পূন্নমক্কা খঙফম থোকই, খঙলমগনি। কর্ফিয়ু অমসুং লোকদাউন মরক অসিদা করম্বা এক্টর-দিরেক্টরনো রিহার্সেলগী ৰাখল খল্লমদৌরিবা? হান্নদগী হৌনা চেবাউ পীদুনা কৌরফাও লাক্লি/লাক্লোই খঙদবা মণিপুরগী থিয়েটর-গোঅর'নি। হৌজিক্কী মতম অসিদা সিনেমা/দ্রামা হোলদা চত্তুনা শো অমা য়েংলুগে - কনাগী ৰাখলদসু ফাওরল্লোই। লাক্কদৌরিবা নুমিৎ কয়াদসু ফাওরকখিরোই। সোসল দিষ্টেন্সিং - সিনেমা/দ্রামা ওদিটোরিয়মশিংদা তঙাইফদবা অমা ওইরক্লিবা, মালেমগী মফম খুদিংমক্তনি। ন্যু য়োর্ক'কী ব্রোদৱে থিয়েটরদসু সেপ্টেম্বর ৬ ফাওবা শো অমত্তা উৎলরোই, লন্দনগী ৱেষ্ট-এন্দ থিয়েটর'দসু ওগষ্ট থা ফাওবা থিয়েত্রিকল এক্টিভিটি লেপখিগনি - পাউ ওইনা ফোঙখ্রবনি। মুম্বাই-দিল্লি-চেন্নাইগী ওইরিবা ফীভম অসিদা-থিয়েটরগী ৱার্কর-এক্টর-দিরেক্টর কৈদৌঙৈ মথৌদা হল্লক্কনি - কনানসু হায়বা ঙমদে। ৱোল্লিৱুদ-টোল্লিৱুদ-চেন্নিৱুদ (বোম্বে, টোল্লিগঞ্জ, চেন্নই ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি) সু অদুমঙায়! হান্নগী ফীভম অদুদদি কৈদৌঙৈদা হল্লক্লরোই। খন্দবা ঙমদে খল্লকই - মণিপুরগীদি কমদৌবা? ফিক্স তৌরবা (লেঙদবা) সিট থাবা থিয়েটর-ওদিটোরিয়মদি - রুপমহল, জে এন্দ দান্স একাদেমি অমদি মহারাজ চন্দ্রকির্তি ওদিটোরিয়ম - অহুমসিখক্তনি। সিট অমমম, রো অমমম থিংজিল্লগা ফমহনবা-সোসল দিষ্টেন্সিং নোর্ম'দু ফাওবদি ঙাক্লে-ক্লেম তৌবা য়াই। হেন্দ অমদি বোদি সেনিটাইজেসন'দুসু তৌবা য়াই। ষ্টেজ অমদি ওদিটোরিয়ম সেনিটাইজেসনগী এক্সপেন্সিব ওইবা থবক্তুদি গভর্ণমেন্টকী মথৌ ওইগদবনা, থবক অদু গভর্ণমেন্ট এজেন্সি অমনা তৌরক্কনি হায়বা কনানসু থাজদে। অদুগা, মণিপুরগী খ্বাইদই পোপ্যুলার ওইবা পর্ফোর্মিং আর্ট-ফোর্ম অমা ওইরিবা 'শুমাং-লীলা' কৈদৌঙৈ হান্নগুম য়ঙ য়ঙ তিনবা, কৃক-কৃক ইন্নবা পর্ফোর্মেন্স-প্লেস অমা উবা ফংলক্কদগে? ৱাখলনা লাম্বা ফংদে। ফেষ্টিবেল নৎত্রগা শো অমত্তা প্লান তৌবা য়াখিরোই। সিত্তিং এরেঞ্জমেন্ট, হান্ননা ফিক্স তৌরবা মফমদা শান্নবা নত্তবা, ওপন স্পেস'তা শান্নগদবা পর্ফোর্মেন্স ওইবনা সোসল/ফিজিকল দিষ্টেন্সিং তৌরগা অয়েংবশিং ফমহনবদি অৱাবা ওইরোই খঙলবসু, থাগদৌরিবা সিট (ফম্ফম) অদুদি অকক্লবা মফম অমদগী সেনিটাইজ তৌরগা পুরকপা ওইরোইদবা নৎত্রগা অয়েংবা মশা মশানা পুজরক্কদবা ওইবনা, মরী লৈনবা গভর্ণমেন্ট ওথোরিটিনা অয়াবা পাক পীরক্লোই। এদ্যুকেসন সেক্টরসিফাওবা মরুওইবা/ইসেন্সিয়েল সর্ভিস নত্তে হায়রিবা গভর্ণমেন্ট'নি, হান্নদগী হৌনা তৌদ্রসু য়াবা থৌরেম ৱারেমনি হায়রিবা আর্ট এন্দ কলচরেল এক্টিভিটিনি। মতাং মতম চারিঙৈ আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট মূথৎহৌরগে - খল্লম্বসু য়ারিবনি। হিংননবা হোৎনবা, চিঞ্জাক পুথোক্লবা, এগ্রিকলচর অমসুং হোর্টিকলচরগী থবক-থৌরম অমদি অনা-লায়েং-হকশেলগী থবক নত্তনা পূম্নমক তৌদ্রসু য়াবা কান্নদবা থবকনি, পূক্নিং চঙগুমসি-শোয়দনা খন্নরমগনি। হিংনবা থবক পীরিবা ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্টর হায়র', মণিপুরদদি লৈতবগা পাংখক্লি, পিকক্রু পিকপা, মীওই মঙা তরা থবক পী'ঙম্বা স্মোল/মাইক্রো লেবেলগী মঙা-তরা লৈর'সু। কুমহৈ-ফিহোং-ঈৱাংগী থবকনি খন্নবা 'কলা' সিনা হিংনবগী থবক অমনি খঞ্জবা, কলাকার ময়াম অমা লৈবা, কলাগী লৈবাক মণিপুরনি হায়বসি মথম্মোয়দা শুকফাও ফাওদবা লৈঙাকপশিংনা ঙাকপা লমদম অমা ওইরম্বসি লমদমসিগী ওইনদি খ্বাইদই লাইবক থীবনি। মখোয়গী খূৎতা কলাকারশিংগী পুন্সি সেফ ওইদে, কলাকার অমত্তা খুয়া তুশিৎনা, য়াইবী মরাং কায়না হিংবা ঙম্লোই হায়বসিদি মতম চূপ্পদা নীংশিংগদবনি।

অদুনা, ঐখোয়না কাউরোইদবা ৱাফম অমনি - মেন দজ নোট লিব বাই ব্রেদ এলোন (মীওইবা হায়বসিদি তল/চাক খক্তনা হিংগদবা নত্তে)। পাউদম অসি ইনা ইনা ৱাখল অমা ফাওরকই - কোরোনাগা লোয়ননা হিংমিন্নবা তমগদবনি হায়বসি মালেম পুম্বই মীয়ামদা পীবা পাউজেল অমা ওইরবনা, থিয়েটর-আর্ট পামজরুবা কলাকার ঐখোয়সু কোরোনা-লাইচৎ মরকসিদা হিংনা-হিংনা আর্ট অসি পুন্সিদা করম্না তঙায়ফদবা অমনি - ময়ামদা করম ফাওহনগনি! নীংশিংলকই - অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা, লানগী লানফা (ৱার প্রিজনর) ওইনা কৈশুমশঙদা লৈরিবা, হিংবই আশা য়াওদ্রবা বন্দিশিংদুগীদমক্তা মতমদুগী জর্মন থিয়েটর মেকর-এক্টরশিংনা করি তৌখিবা? ইড়ৱিন পিস্কেটর অমদি বর্তোল্ট ব্রেক'কি শীংথানীংঙাই ওইরবা থবক-নীংশিংবগী লামায়শিংদতা অসুম থন্নগা নীংশিং নীংশিং পানবরা? মীরমদা মহৈ তম্লুরগা, মীচেন অমগুম চেল্লক্তুনা, ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা/লৈরিবী ইচাশিংদুনা তম্লকপা থম্মোয় শোক্লবা, ঐগী পুন্সিসিদদি থেংনরকখিদ্রবা এক্সপরিয়েন্স! ময়ামশিংদুই মরক্তা অমনি... মখোয়গীদমক চাননবা চাক-এঞ্জাং (চানীংই হায়রকপদু) থোংদুনা থিল্লুবা, তিফিন বোক্স অদু থিনজিল্লকপা (মেচ্যুর ওইরবা) নুপাদুনা, মখোয়গী থোঙজিন্দা লৈরিবা টেবলদুদা থনম্লগা চেনখিবদু 'মৈরা চূরবা অচৌবা বম্বুলা/বোম অমা থনম্লগা চেনখিব'দুগা পাংখকনি। নৌরিবী মখোয়বু শোক্লা-শম্লা য়াদবা, মহীক পল্লবা, মশক ফাওবা য়েংনীংদ্রবা অমগুম লোয়নরিবা ... অদুগুম্বা এত্তিচ্যুট অদুনা মখোয়দা পোকহল্লমগদবা ৱাখল! ... মপান্দা, মীমাঙদা মশক থোক্লা হিংবা ঙমজনবা, থবক অমা পায়রে খন্না হিংলুরগা ময়োল তেক্লবা পান্বী অমগুম, আশা য়াওদনা তুম্বা-হীপ্পা-ফম্বা তৌদুনা লেল্লিবশিংদুগী সেন্টর-লানগী ফাদোক ময়াম্না লেল্লিবা পুন্সিদুগা করি খেন্নবগে? অশেংবা কৈশুমশঙদগীদি মিয়াৎ তাদ্রিবা অন্দর-ত্রায়েল-বন্দিশিং, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা য়াননবা থাদোক্লরক্লিবনি। মখোয়গীদমক, আশাগী ময়োল চোংহনবা, থৌনা পীবা ঙমগদবদি থিয়েটর-ৱার্কর-কলাকারশিংসিখক্তনি। অখন্নবা স্ক্রিপ্ট ইদুনা, অখন্নবা কলাকার থিরগা, অখন্নবা পর্ফোর্মেন্স স্পেস শেমগত্তুনা লিভিং পর্ফোর্মেন্স খরা, ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা উৎলুবা-কান্নবা এক্সপরিয়েন্স অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি। হেল্থ মিনিষ্টর মশামক, কলচর মিনিষ্টরসু ওইবনি। নোংমতং হৌনরগা চত্তুনা হায়রুসিরা? মীয়ামগীদমক কথোক্লবা লুচিংবা অমনি সী এমসু। শোয়দনমক্কী য়ারক্কনি।

লৌশিং পুক্কে

চাং নাইনা শাজেল তৌদ্রবদি মশলশিংগী মপাঙ্গল হন্থরকই

মশল শোন্থবা হায়বসি য়াম্না তোয়না থেংনবা থৌওং অমনি। খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লবা মীওইশিংনা করিগুম্বা থবক অমা তৌগে হায়না ৱাখলদা খঞ্জবা তারবসু মশল শোন্থখিবনা মরম ওইরদুনা পাক-হেক পাঙথোকপা ঙমদে।

মশল শীজিন্নদুনা হকচাং-শাজেল তৌদবা হায়বসিনা মশল শোন্থরকপগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমনি। তোয়না শীজিন্নদবা তারবদি মশল মনুংদা য়াওবা ফাইবর পুন্নমক ফেট ওন্থোরকই। মসিনা মরম ওইরদুনা মমাঙদা ইরায় লায়না তৌবা ঙল্লম্বা থবক কয়া পাক হেক তৌবা ঙল্লক্তে। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি তপ্না-তপ্না মশল কনখৎলক্তুনা অৱাবা অসি কোকহনবা ঙম্মী। অদুবু চহী য়ামশিল্লক্তুনা অহল ওইরক্লবদি পাক হেক ফহনবা ঙমদে।

মশলগী মপাঙ্গল খ্বাইদগী কনবা চহী মতাং অসি মশাগী চহী ২০ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনি। মালেমদা খ্বাইদগী মমিং চৎলবা, ফাওরবা শান্নরোয়শিংসু হায়রিবা চহী মতাং অসিদা লৈবা মীওইনা অয়াম্বনি। অদুম ওইনমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌদুনা মশলগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা হায়বসি চহী মতাং অমদা হেক্তা অদুমক লৌখৎপা য়াবা থৌরাংনি। হৌজিক হৌজিকমক লমশাং চেনবা লমজেলদা মশাগী চহী ৪০ হেল্লবা মীওই কয়া অফবা লমজে ল্লোয় অমমম ওইনা লৈবা অদুমক য়াওরিবনি। মরম অদুনা ওইনিংবা চহী মতাং ওইজরবসু হকচাং ফনা লৈনবগীদমক মশলগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু চহী খরা য়ামশিল্লক্লবদি হকচাং শাজেল তৌবা হৌদ্রিঙৈদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা ট্রেনর নৎত্রগা ফিজিওথেরাপিষ্ট অমগী পাউতাক লৌদুনা খুদোংথিবা থোরক্তনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎহৌগদবনি।

চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা মশলগী মপাঙ্গল শোন্থরকই অমসুং হান্না নহা ওইরিঙৈদা ইরায় লায়না তৌবা ঙল্লম্বা থবক কয়া অহল ওইরবকান্দা পাক-হেক তৌবা ঙল্লক্তে। মসি মীওই অয়াম্বদা নীংবা কায়নিংঙাইগী মশক ওইবা তারবসু চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি মশলগী মপাঙ্গল তপ্না-তপ্না অমুক কনখৎহনবা য়াই হায়বা ৱাফম অসি কাউরোইদবনি।

করিগুম্বা কান্দা অনাবা মখল খরনা মশল শোন্থরক্লবগী মরম ওইহল্লি। খুদম ওইনা ফ্লু (ইনফ্লুএঞ্জা), গ্লেন্দুলর ফিবর, ঐচ আই ভি, লাইম দিজিজ, হেপাটাইটিস সী, টি বি, মেলরিয়া, সিফিলিস, পোলিও অমদি দেঙ্গি ফিবরনা মশল শোন্থহল্লি।

মীরোল্লিঙৈ মনুং অমসুং মতুংদা নুপী খুদিংমক্কী ঈ দা য়াওবা ষ্টেরোইদকী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা আইরন ৱাৎপনা মরম ওইরদুনা মশল শোন্থরকই।

করিগুম্বা কান্দা লায়না মখল অমনা মতম শাংনা নাবা তারবদি মশলদা ঈ অমসুং ন্যুট্রিয়ন্টশিং ফংহনবা ঙমদবা মরম্না মশলগী মপাঙ্গল শোন্থরকই।

কনাগুম্বা মৈখু শীজিন্নবা অমদি চাকচা য়ুথক ফজদবা মীওইশিংসু কোলেষ্টরোল ৱাংখৎলক্তুনা ঈ পুবা শিংলী উতোং ফুঞ্জিল্লকপদগী মশলদা ঈ মরাং কায়না ফংবা ঙমদবা মরম্না মশল শোন্থরকই।

দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংসু মশল শোন্থরক্তুনা হকচাং শোন্থরকই। ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং ৱাংখৎলকপদগী মশল ফাইবরগী মথৌ লেপখিবা অমসুং শিংলী ফুঞ্জিল্লকপদগী ফীভম অসি ওইরকপনি।

থম্মোয়গী মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমদ্রবা মীওইশিং অমসুং থবোম্বীগী অনাবা লৈবা মীওইশিংদসু মশল শোন্থরকপা থেংনৈ। কিদনিনা মথৌ ফজনা তৌরক্তবা মতমদসু খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকই।

হকচাংদা য়াওবা রেদ ব্লদ সেল ৱাৎপগী থৌওংবু এনিমিয়া হায়না খঙনৈ। ফীভম অসি মায়োক্লরবা মীওইশিংদা ঈনা মশলশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহনবা ঙমদবদগী মশল শোন্থরকই।

মশলশিংবু হকথেংননা অমাঙ অতা থোকহনবা য়াবা মরম কয়ামরুম লৈ। খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি শান্ন-খোৎনবদা শোকপা-পনবা য়াওখিবা অসিনি। করিগুম্বা কান্দনা ৱার্মিং-অপ তৌদনা হকচাং শাজেল তৌরুবদগী মশলদা শোকপা য়াওই। মতমদুদা মশলগী ফাইবরশিংদগী ঈ থোরক্তুনা পোমখৎলকই অমসুং ঙাংশঙ ঙাঙনা খামদুনা ঈ অশিবা চঙলকই। মসিনা মরম ওইরদুনা মশল শোন্থরকই।

অতোপ্পা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা চারিবা হীদাক-লাংথকশিংগী সাইদ ইফেক্ট ওইনা মশল শোন্থহল্লকপা য়াওই। মতম শাংনা মৈখু শীজিন্নবা, য়ু থকপা অমদি হীদাক মনাগী পোথোক শীজিন্নবনসু মশল শোন্থরক্লবগী মরম ওইহল্লি।

মশলগী টিস্যুশিংনা ওক্সিজেন অমদি মরু ওইবা এঞ্জাইমশিং ফংদবদগী ফীভম অসি ওইহল্লকপা মরম্না মাঙজৌননা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌদুনা ঈদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহনবা অমসুং নুমীৎ খুদিংগী মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা হায়বসিনি।

খ্বাইদগী ইহান হান্না শোন্থরক্কদবা মশলদি খোঙ অমসুং খ্বাঙগী মশলশিংনি। মথংদা অতৈ-অতোপ্পা মশলশিংসু তপ্ন-তপ্না শোন্থরক্কনি। মরম অদুনা হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা অখঙ-অহৈশিংগা তান্নদুনা খোঙ অমদি খ্বাঙগী মশলশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনগদবনি। মসিগীসু মথক্তা নুমীৎ খুদিংগী ঙাইহাক-ঙাইহাক নুংশা য়াইদুনা ভিটামিন দি ফংনবা হোৎনগদবনি।

পুঙগী শক্লাইরবা সৌবাম গৌরধননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা বাদ্যভূষন উপাধি, ক্ষেত্রি নৱাং শেলগী মনা অমদি বাদ্যরত্ন উপাধি পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রবা নট সঙ্কীর্ত্তনগী লমদা মরুওইনা পুঙগী শক্লাইরবা ওজা সৌবাম গৌরধননা মমাঙ থাগী ২৫ দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না পরিষদ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এলাংবম প্রিয়ব্রতনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মহাক অৱাং পোৎশংবম খুল্লেন্দা লৈবা মশাগী য়ুমদা মমাঙ থাগী ২৫দা লৈখিদবনি। পুন্সিগী অঙনবা শরুক্তগী অৱাং পোৎশংবম খুল্লেন্দা লৈবা ওজা মাইস্নাম ইবোচাদা পুঙ তম্বা হৌরকখি। লমদমসিগী মমিং লৈরবা ওজা কয়াদগী মহৈ তম্লকখি। গুরু সৌবাম গৌরধননা লৈখিদবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী সভাপতি কাংজম ইবোহলনা থৌরম মপু ওইদুনা ঙসি সভাপতিগী য়ুমদা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা মিনট ৩ তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। গুরু অসিগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা খুরুমখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ : ইম্ফাল ইষ্ট দি সী রঙ্গিতাবলি ৱাইখোমনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ফুদ্দ বেঙ্কতগী জিরিবামগী সী এস ওশিংদা মতেং পাংখ্রে। ইনি দয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈবা মণিপুরীশিং ট্রেনদা জিরিবাম তম্না পুশিল্লকপদা জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না চৎখিনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখিবা জিরিবামগী সী এস ওশিংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সী, ডা. রঙ্গিতাবলিনা ইম্ফাল ইষ্টকী ফুদ বেঙ্কতগী নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মতেং পাংখি। পোৎলমশিং অদু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দি সী, দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈগী খুথাংদা শীন্নখ্রবা মতুংদা ঙসি দি সীনা সী এস ওশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

লাইওন্স ক্লবকী ওনলাইন দিষ্ট্রিক্ট কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দি, লাইওন্স ক্লব ইন্টরনেসনলগী ওনলাইন দিষ্ট্রিক্ট কনফরেন্স চহীসিগী মে ৩০ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোকখ্রে হায়না লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী সেক্রেটরি লাইওন এল শরতকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ওনলাইন দিষ্ট্রিক্ট কনফরেন্সগী অরোইবা নুমীৎ মে ৩১ দা দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর, ভাইস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর-১ অমদি ভাইস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর-২গী ইলেক্সনসু পাঙথোকখি। ওনলাইন ইলেক্সন অদুদা ভাইস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর-২গী ওইনা লাইওন প্রোফেসর গোপিমোহোননা মায় পাকখি। মায় পাক্লবা কেন্দিদেট অসি লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী মেম্বরনি। মায় পাক্লবা কেন্দিদেট অসিবু তরাম্না ওকপগী অমদি ঈকায় খুম্নবগী থৌরম অমা থা অসিগী ১দা লাইওন্স সর্ভিস সেন্টর সঙাইপ্রৌ এয়রপোর্ট রোদ ইম্ফালদা পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দি লাইওন্স ক্লব ইন্টরনেসনলগী ওনলাইন দিষ্ট্রিক্ট কনফরেন্স চহীসিগী মে ৩০ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোকখিবা অসিদা হীরম কয়াদা খন্নখি। কনফরেন্স অসিগী অরোইবা নুমীৎতা তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিংগী মীখল তৌখি হায়রি।

থা ১ চুপ্পা শন্দোক্কনি

ইম্ফাল, জুন ০৩ : ঠিএটরগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা সবজেক্ট এক্সপার্টশিংগী লেকচর কম দেমোন্সত্রেসন ভিদিও রেকোর্দিং তৌদুনা ইমেজ টি ভি ককচিংগী চেনেলদা অয়ুক পুং ৭.৩০ অমদি নুংথিল পুং ৩.৩০ দা নুমীৎ খুদিংগী থা ১ চুপ্পা শন্দোক্কনি হায়না লিবর্টি ঠিএটর ককচিংগী দিরেক্টর উত্তমকুমার নাওরেমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লিবর্টি ঠিএটর ককচিংনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা থা ১ চুপ্পা পাঙথোকপা স্কুল তল্লিবা অঙাংশিংগী ঠিএটর ৱার্কশোপ হন্দক্কীদি টেবল নেটৱার্ককী খুথাংদা হৌখ্রে হায়নসু মখা তারি।

মণিপুর চেপ্টর শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ : এসোসিএসন ওফ হেল্থ ক্যের প্রোভাইদর ওফ ইন্দিয়া (এ ঐচ পি আই) মণিপুর চেপ্টর শেমখ্রে হায়না ষ্টেট চেপ্টরগী সেক্রেটরি ডা. জেমস এলাংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এ ঐচ পি আইদা ইন্দিয়াগী হেল্থ ক্যের প্রোভাইদর লিশিং ৮ হেন্না রিপ্রজেন্ট তৌরি। ডা. অলেকজেন্দর থোমাসনা ফাউন্দর মেম্বর অমদি এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থবক কয়া লৌখৎলি। হেল্থ ক্যের প্রোভাইদরশিংগী মনুংদা হোস্পিটাল, ক্লিনিকনচিংবা কয়াসু য়াওরি হায়নসু মখা তারি।

দি জি ওফ অসাম রাইফলসনা আই জি এ আর (সাউথ)তা ভিজিট তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : দিরেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলস লেফটনেন্ট জেনরেল সুখদীপ সংৱান, এ ভি এস এম, এস এমনা ঙসি হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)তা ভিজিট তৌখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দিরেক্টর জেনরেলনা ভিজিট তৌখিবা অদুদা আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল কে পি সিংহ, এ ভি এস এম, ৱাই এস এমনা ষ্টেট অসিগী ফীভম কয়া খঙহনখি। জেনরেল ওফিসর অসিনা কম্পেনি ওপরেটিং বেজ অদু ভিজিট তৌবগা লোয়ননা কম্মান্দর অমদি ত্রূপশিংগা ৱারী শানখি। আই জি এ আর (সাউথ)কী মখাদা তোঙান তোঙানবা রেঙ্কতা লৈরিবা মীওইশিংনা ষ্টেট অসিদা লৌরিবা থৌদাংশিংবু পূক্নিং থৌগৎখি। কোভিদ-১৯গী মতমসিদা অসাম রাইফলসনা লৌগদবা থৌদাং কয়াগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থমখি।

কাঙলোন কায়না ঙা ফানবা হোৎনরম্বশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : লোক্তাক্তা এল ঈ দিনচিংবা শীজিন্নবগা লোয়ননা ইলিগেল ওইবা ঙা ফানবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা ঙা ফানবা হোৎনরম্বা মীওই কয়া ফাগৎলে হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস পিগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অকরুবা পাউ অমা ফংবদগী বিষ্ণুপুরগী সী দি ও য়ুনিটকী টিম অমনা নিংথৌখোং, থাঙ্গা অমদি থিনুঙৈদা লোক্তাক পাৎকী এরিয়াদা থি-হুম্বগী থবক চথখি। চথখিবা দ্রাইভ অদুদা মীওই মরি এল ঈ দি লাইট শীজিন্নরগা ঙা ফানবা লাকপা থেংনখি। মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মীওই ৩ ফাগৎখি। মখোয়দগী বেট্টরি, দাইনেমো, কোপ্পর ৱায়র, এল ঈ দি লাইটনচিংবা ফাগৎখি। মখোয় অয়ুক পুং ৩ লোম তাবদা ফাগৎখিবনি। মখোয়না দাইনেমো শীজিন্নরগা বেট্টরিগী মতেংগা লোয়ননা ঙা ফাবগী থবক চথনবা হোৎনরম্বনি। ফারবা মীওইশিং অদু পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী ও সীদা খুৎশিন্নখ্রে। ঙা ফাবদা ইলিগেল ওইবা খুৎশু-খুৎলায়শিং অসি শীজিন্নবা য়াদে। কাঙলোন কায়না ঙা ফানবা হোৎনরম্বশিং অদু ফাগৎখিবনি হায়রি।

RaDiant Group
Let Us Grow Together
Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01

Manpower Requirements

Date of interview 10th June 2020 at 10:30am

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume at the above given office from 10:00 am -02:00 pm

Mail us at radiantcorporatehr@gmail.com or SMS / WhatsApp us at +91-7642842266 with <Name><Position>

UNIT	Position	Exp.	Post	Education	Salary
RaDiant Group Finance Dept.	Area Manager (AM)	3-5 years exp. in MFI Sector	1	Graduate and above	15K to 25K
RaDiant Group Finance Dept.	Branch Manager (BM) (Thoubal)	2-3 years exp. in MFI Sector	1	Graduate and above	10K to 15K
RaDiant Group Finance Dept.	Branch Manager (BM) (Kwakeithel)	2-3 years exp. in MFI Sector	1	Graduate and above	10K to 15K
Arambai2020	Digital Marketing Associate	2-3 years exp. as an expertise in handling social media, Search Engine Marketing (SEM), Search Engine Optimization (SEO), sales and marketing and product sales strategy.	1	Graduate and above	8K to 13K
Arambai2020	Content Writer	1-2 years exp.in professional content writing.	1	Graduate and above preferably English Honours	Negotiable

HL-B/6196/4/6-3/6

Sd/- Human Resource Generalist, RaDiant Group

ক্বারন্টিন সেন্টরদা থবক তৌরিবা ভলন্টিয়রশিংদা শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংনবদা কথোকপগা লোয়ননা লংথবাল এ সীগী মনুংদা লৈবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা থবক তৌরিবা ভলন্টিয়র কয়াদা সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর করাম শ্যামনা শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

ঙসি লিলোং চজিং মাইরেন-খোংদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ভলন্টিয়রশিং অদুদা শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। কোভিদ-১৯ থেংনবদা ভলন্টিয়রশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি অসুক্কী শীংথানিংঙাই ওই। লংথবাল এ সীগী ওইনা ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ স্কুলদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা মীওই ১০১ লোম লৈরম্বদগী ক্বারন্টিন মতম লোইদুনা হন্নখ্রে। নৌনা মীওই ৬১ রোম লাক্তুনা সেম্পলনচিংবা লৌখ্রে। হৌজিক সেন্টর অসিদা ভলন্টিয়র কয়ানা অচৌবা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা অহিং-নুংথিল খায়দনা থেংনরি। মখোয়না লৌরিবা থৌদাং অসি ঈকায় খুম্নফম থোকই।

ভলন্টিয়রশিংগী মনুংদা অহিং-নুংথিল কয়া লেপ্তুনা হোৎনরিবশিংসু নীংথিনা রিপোর্ট লৌদুনা য়েংশিল্লি। পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি। লংথবাল এ সীগী মনুংদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থবকসু লেপ্তুনা চঙশিল্লি। মখা তানা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংনবা শেম-শারি। মীয়ামগী মতেং পাংনবা হোৎনদুনা লাক্লি। হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াদা লুপা লাখ ৭৫ হেন্না এক্সপেন্দিচর তৌখ্রে। হৌখিবা থা ৩ লোম অসি লংথবাল এ সীগী ওইনা শেল তিংদনা চেঙ ফংহন্দুনা লাক্লি। মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়াবনি। এ সী অসিগী য়ুমথোঙ লিশিং ১০ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখ্রে। লুপা লাখ ৩.৬০ রোমগী ঈশিং লৈরগা মফম কয়াদা ফংহনখ্রে। ক্বারন্টিন সেন্টরদসু ফংহল্লি। চেঙ ক্বিন্টল ১৮৯৭.৮৫ লোম লংথবাল এ সীগী ওইনা থা ১দা চৎলি। মসি শেল ওইনা পাবদা থাদা লুপা লাখ ৫.৬৪ রোমগীনি।

ষ্টেট লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ থেংননবা থবক কয়া লৌখৎলক্লি। সী এমগী লমজিং মখাদা পায়খৎলকপা থবক থৌরম কয়াদা পুন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু মখা তাখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং০৪।০৬।২০২০ ইং, শগোলশেল, অয়ুক পুং৬.০৫ ফাওবা ইঙাগী ১৩ নি পাল্লি, মতুং ১৪নি পাল্লনি।

মেষ : নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা নিংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি, লল্লোনবদা চাওনা শেন্দোং ফংগনি অমদি অফবা মফম ফংজবা নুমিৎনি। থবক পাংগনি, য়েৎনবা কোক্কনি।
লৈশা-পাখংশিংগী-নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃষ : নুংথিলদা নিংবা থুংবা, নক্লবগী মতেং ফংবা অমদি অঙম্ববু লায়না খুদুম চনবা নুমিৎনি। নুংঙাইতবা পাউ তাগনি অমদি চথোকপদা মহু চাওবদগী চেকশিনগদবা ওই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : থেংলপ্না নিংবা থুংবা, নচাক-নরল চাওখৎনবগী অশা লাকপা অমদি ৱাখল নুংঙাইবা খরা লৈগনি। ৱা য়াম্না ঙাঙবা অমদি অনম তানবদি মাঙজবতা থুংগনি।
লৈশা-পাখংশিংগী- থেংলপ্না নুংঙাইবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অমদি হোয়া ফবগী কান্নবা ইফং-ফংলোই। অদুবু ইচং থৌবদি হনগনু অমদি পাইরক্কী লৌশিং চংখোনবনা খুদক্কী ৱারেপ লৌবা কান্নগনি।
লৈশা-পাখংশিংগী- মতম খরা ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা শেন্দোং চাওনা ফংবা অমদি মীচং লৈবা নুমিৎনি। ঙাঙবা শাকপা অমদি য়েৎনবদা মায় চাওনা পাক্কনি। অদুবু নচা-ননাইগী ৱাবা লৈ।
লৈশা-পাখংশিংগী- নিংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কন্যা : থেংলপ্না পূক্নিংদা নুংঙাইবা ফাওগনি অমদি মরুপ-মপাংনা লুনা চান্না তৌবিবা লৈগনি। লৌশিং চাওই অদুনা খন্থরগা পাংবা থবক খুদিংদা মায় পাক্কনি।
লৈশা-পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : লৈঙাক্কী লম্‌দা কিবা পোকপা অমদি নাপল তৌবনা মাঙজবা অমদি মীকোক থোংবা ৱাবা লৈগনি। খরা ৱারবসু ওইজবা ফংবদি লৈগনি অমদি মীয়াম্না য়াগনি।
লৈশা-পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : থেংলপ্না মীচং হেনগৎপা অমদি অঙম্বনা চানবীবা ওইগনি। শেল অমদি মীংচৎ ফংবা হেনগৎপা নুমিৎনি। খুদোংচাবা মাঙহনগনু-নীংথিনা পো য়াৎপা ফৈ।
লৈশা-পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু : নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা লাইবক ফবনা কান্নবা য়াম্না ফংজগনি। য়েৎনবদি য়াওরুনু, অখঙ-অহৈ শারুনু অমদি অমদি খৎনবা য়াবদা চঙলুনু। অচুম্বনা খুৎলায় ওইয়ু।
লৈশা-পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর : থবক পাংবগী নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাবা, লম চৎথোকপদা কান্নবা ফংবা অমদি মীয়ামগী মতেং ফংবা য়াবা নুমিৎনি। অনমদি তানগনু।
লৈশা-পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা : নুংথিলদা মীপাইরম্বা কোকচরগনি, ৱাখল নুংঙাইনা থৌ পাংবা য়াগনি অমদি য়েক্লববু লায়না খুদুম চনগনি। পন্দুনা লৈবা থবক্লা খোইরাং খোইশাওবদি লৈগনি।
লৈশা-পাখংশিংগী- অনম তানবনা কাইননি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবদি ঙসিসু য়াম্না কান্নগনি অমদি থিবা হুম্বা কনবগী কান্নবা য়াম্না ফংজগনি। খুৎ চাওবনা মীপাইবা পোক্কনি-মরম চাদনা হোয়া ফগনু।
লৈশা-পাখংশিংগী- অশাওবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।